‘সী এমনা মপিথেল দাম কায়রোই হায়রিবসি খঙদবদগী হায়বনি’

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :

মপিথেল দাম যুবা অসিনা মরম ওইরগা দাম অসি কায়রক্লগনি হায়বগী অকিবা পোল্লিবা মীয়ামগী চিংনবা কোক্লবা য়েংশিনবীবগী মহুত্তা দাম শুকায় কায়রোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকপসি খঙদবদগী হায়বনি হায়না মপিথেল দাম দাউনষ্ট্রিম এফেক্টেদ পিপলসনা ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী মপিথেম দাম দাউনষ্ট্রিম এফেক্টেদ পিপলসনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অসিদা জে এ সী অসিগী চ্যেরমেন য়ুম্লেম্বম থোইবনা হায়খি, মপিথেল দাম য়ুই হায়বসি মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়ামদা খঙহন্দবগুম্না লৈরক্লি। আই এফ সী দিগী ওফিসারশিংনা য়েংশিনবীদবদগী দাম অসি য়ুবনি।

দাম অসিনা মীয়ামদা মৈ অমসুং ঈশিং পীগনি হায়রিবসি মৈগী পাৱর হাউস শাবসু লৈতে, ঈশিং পীনবা পাইপ অমফাওবা তিংদ্রিবনি। অদুবু দাম অসিনা মরম ওইরগা তুমুখোংগী মীয়াম তুম্না হাৎলগে হায়না চথরকপা থৌরাংলা হায়নসু হংলক্লি।

কুমজা ১৯১৪দগী ২০১০ ফাওবগী মনুংদা ওল্ড ইন্দিয়াগী ওইনা দাম ১৪ কায়বা লৈখ্রে। মপিথেল দাম অসি কায়রকপদা মণিপুরগী অপুনবা মীশিংগী তঞ্জায় অমদি শিগদৌরিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা করি করি শোক্কদবগে হায়বদু য়েংলগা দাম শাবা চঙই। হৌজিক শারিবা মপিথেল দাম অসি তুমুখোংদগী য়াম্না নকপা মরম্না হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। ইন্দিয়া অমসুং মালেমগী ওইনা শারিবা দামগী অৱাংবগী মওং মতৌ য়েংদনা মপিথেল দাম অসি পংশা শাবদৌনা উরি।

দাম অসি শাবা লোইদ্রিঙৈদা দাম অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়াম্না দাউনষ্ট্রিম ওইরিবা তুরেলদগী নুঙ, লৈঙোই পেক্তুনা হিংনবগী লম্বী ওইনরমই। মরম অদুনা দাম শাদ্রিঙৈদা অকোয়বগী মীয়াম্না মরুওইবা শিনফম ওইরম্বা নুঙ, লৈঙোই পেকপগী শিনফম অসি হোংদোকহন্দুনা অতোপ্পা হিংনবগী লম্বী ওইবা থবক থৌওংশিং শুহন্নবা লম্বী হান্না পীফম থোকপনি হায়না মখা তাখি।

দাম অসি য়ুরে অমদি দাম কায়বা য়াবগী ফীভম লৈবা অসিদা চীফ মিনিষ্টরগা মীয়ামগা উনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা চীফ মিনিষ্টর দাম য়ুরে হায়বা ৱাফম খঙহনবনি। অদুবু হান্না পাউ ফাওনরগুম্না দাম শুকায় কায়রোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়রকখি। ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা খঙদবদগী হায়বনি মরমদি দাম য়ুরে হায়বসি চীফ মিনিষ্টর খঙদ্রিবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর দাম য়ুরিবা অসিগী ফীভম য়েংশিনবীদুনা তুমুখোংগী লৈতাদ্রবা মীয়াম্বু লৈতাহনবীয়ু। হায়রিবা মফম অসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌদুনা মীতৈশিংনা য়াম্না ৱানা খুন্দাদুনা লৈরকপনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা তুমুখোং অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি শাদোকপম সুমতিনা হায়খি, তুমুখোং ভীলেজ অসি দাউনষ্ট্রিম এফেক্টেদ এরিয়া ওইনা লৈবা মরম্না খুদোংচাদবা মফম ওইরে। দাম অসিগা তুমুখোং খুল অসিগা য়াম্না নক্লবা জিরো পোইন্টদা লৈরিবনি। মরম অসিনা দাম অসিগী ময়া নক্না লৈবা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদ্রা হায়বা খঙহনবীনবা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা পাউখুম ফংদ্রি। দাম অসি কায়রোই হায়বদু কয়া য়াম্না থাজবা য়াবগে হায়বদুসু খঙহনবীয়ু।

লৈবাক্লা শাবা দামগী ৱারীসি অমুক্তা তারক্ত্রি। নুঙ, লৈঙোই অমদি বিলাটিমতিনা শাবা দাম মনাক্তদি মী তাবা ঙমই। অদুবু মপিথেল দাম অসিদি লৈবাক্লা শাবনি অমদি মখুন মচা মচা কয়া পংয়ুদা য়ুদুনা লৈরিবা অসি করম্না কায়রোই হায়রিবনো? এক্সপার্ট টিম অমনা য়েংশিনবীদুনা কায়রোই হায়বগী থাজবা মপুং ফানা পীবিয়ু।

নোং খরা চুবগা ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা রিলিফ কেম্প হাংদুনা কয়াম কুইনা লৈখিগদৌরিবনো? পাৱর হাউস শাবা ঙমদ্রিবসিসু ঈশিং মপুং লৌথোকপা ঙমদবদগীনি হায়না মরাল শীরক্লি।

তুমুখোংগী মীয়াম্বু ঈংনা-চীক্লা, মিপাই-থবাইবা লৈতনা খুন্দা লৈতাহনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীলালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা মীতৈ ময়েক ইবা চাংদম্নবগী রিজল্ট হায়দোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়না শিল্লোন অপুনবা লূপ (মীলাল)না ময়েক চৎপা নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মীতৈ ময়েক ইবা চাংদম্নবদা মকোক মথং তাথ্রবশিং অমদি মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংনা থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা জি এম হোল ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ময়েক চৎপা নুমিৎকী থৌরমদা লাক্তুনা মনা-মথুম লৌরনবা খঙহল্লক্লি।

মীলালগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম ইন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৭তা মীলালনা শীন্দুনা মীতৈ ময়েক্কী অইবা চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস থ্রি অমসুং ফোরগী কাঙলূপতা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী নেপোলিয়ন থোকচোমনা অহানবা, সনাতোম্বী হায় স্কুল ময়াং ইম্ফালগী লোংজম সোনিয়ানা অনীশুবা, সনাতোম্বী ওরেন্টেল ইংলিশ স্কুলগী সলাম মেনাকানা অহুমশুবা, সনাতোম্বী হায় স্কুলগী লাইশ্রম রেনুকানা মরিশুবা, গ্রেস কোটেজ একাদেমিগী চেসম সদানা মঙাশুবা, সেন্ট ষ্টেফেন স্কুলগী লৈশাংথেম কার্লোসনা তরুকশুবা, পদ্মা রত্ন ইংলিশ স্কুলগী নাওরেম প্রিয়াদর্সিনিনা তরেৎশুবা, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লাইশ্রম পৃথিবীরাজনা নিপানশুবা, পেরাদাইজ ইংলিশ স্কুলগী ওক্রম পার্লিননা মাপনশুবা, বেষ্ট একাদেমি খাঙবোক্কী নিংথৌজম কাজলনা ১০শুবা, বেষ্ট একাদেমি খাঙবোক্কী লাইশ্রম লৈকানা ১১শুবা, বেষ্ট একাদেমি খাঙবোক্কী মোইরাংথেম সোনিয়ানা ১২শুবা, পাউলা হেরোজ পব্লিক স্কুলগী লাইখুরাম বিস্ননা ১৩শুবা অমসুং সনা কৈথেল অল্ফা স্কুলগী হিজম নবকান্তনা ১৪শুবা তাখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ক্লাস ফাইব অমসুং সিক্সকী কাঙলূপকী অথোই অহেন তান্নবদা ইমানুয়েল ইংলিশ স্কুলগী অথোকপম সোমরাজনা অহানবা, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী খুন্দোংবম উশানা অনীশুবা, সনাতোম্বী ওরেন্টেল ইংলিশ স্কুলগী খাঙেম্বম তাবশ্রিনা অহুমশুবা, গ্রেস কোটেজ একাদেমিগী থোকচোম জিনানা মরিশুবা, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লাইশ্রম রানিনা মঙাশুবা, লৈমপোকপম মুহিন্দ্রো হায় স্কুলগী খাঙেম্বম পুস্পানা তরুকশুবা, এল এম হায় স্কুল অথোকপমগী লৈতাম্থেম সুশিমানা তরেৎশুবা, লৈমপোকপম মুহিন্দ্রো হায় স্কুলগী বেবিকা থোঙামনা নিপানশুবা, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সিমরন নোংমাইথেমনা মাপনশুবা, পিশকমচা বিদ্য মন্দিরগী লাইফ্রাকপম সিঙ্কিনা ১০শুবা, ইন্তিগ্রেটেদ একাদেমি মালোমগী এস হেমবোলনা ১১শুবা, ব্রাইটর একাদেমিগী কোঞ্জেংবম লমজিংবনা ১২শুবা, হেরিটেজ কনভেন্টকী নাওরেম চাওরেননা ১৩শুবা অমসুং কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লৈশামথেম অঞ্জুনা ১৪শুবা তাখ্রে।

ক্লাস সেবেন অমসুং আইটকী কাঙলোপতা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী থোইথোইবী খুন্দ্রাকপমনা অহানবা, স্কুল অসিমক্কী লাইমুজম থৌওম্বনা অনীশুবা, স্কুল অসিমক্কী এম দি শহবদিননা অহুমশুবা, স্কুল অসিমক্কী সোয়াথিয়ামনা মরিশুবা, স্কুল অসিমক্কী খাঙেম্বম য়োহেনবনা মঙাশুবা, এল এম হায় স্কুলগী লৈমপোকপম রুপরানিনা তরুকশুবা, বেষ্ট একাদেমিগী সৈত্যম মোইরাংথেমনা তরেৎশুবা, এল এম হায় স্কুলগী মৈপোকপম রঞ্জনানা নিপানশুবা, সেন্ট এন্থোনি হায় স্কুলগী লাঙ্গোঞ্জম তরুনকুমারনা মাপনশুবা, ট্রাইবেল ইংলিশ স্কুলগী চবুংবম তোনিনা ১০শুবা, ষ্টেন্দর্দ পব্লিক স্কুলগী ঙাংবম লেমঙন খুমননা ১১শুবা, পব্লিক স্কুলগী থৌদাম নন্দেশ্বরীনা ১২শুবা, য়ু এস এ একাদেমি শিংজমৈগী আর কে প্রিয়াঙ্কানা ১৩শুবা অমসুং খৃষ্ট জ্যোতি স্কুলগী কৈশাম চনু ইন্দিরানা ১৪শুবা তাখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী কাঙলূপতা লিটুল ফ্লৱর স্কুলগী সুশিত্রা নেপ্রমনা অহানবা, দোন বোস্কো স্কুল লাংজিংগী লৌরেম্বম ৱিলিয়মনা অনীশুবা, নির্মালাবাস হায় স্কুলগী মমতা ময়েংবমনা অহুমশুবা, সক্সেস স্কুলগী চোংথাম রবিনানা মরিশুবা, সী আর একাদেমিগী লাইশোম লমঙানবনা মঙাশুবা, এলিট ফাউন্দেসন একাদেমিগী নিংথৌজম দেবিদসননা তরুকশুবা, সনাতোম্বী হায় স্কুলগী কে প্রিতমনা তরেৎশুবা, প্রোগ্রেসিব ইংলিশ স্কুলগী অঞ্জনা মোইরাংথেমনা নিপানশুবা, হেরি-টেজ কনভেন্টকী আর কে দেনিয়লনা মাপনশুবা, সেন্ট জোসেফকী সুরজ সাইরেমনা ১০শুবা, ককচীং পব্লিক স্কুলগী সোরাইসম দেবিদনা ১১শুবা, পল্লেল হায় স্কুলগী খুরাইজম রোসনিনা ১২শুবা, কিশ্বর এদ্যুকে-সনেল ইন্সটিটুট্যটকী খ্বাইরাকপম লমঙানবনা ১৩শুবা অমসুং টাইনিটোট য়ুনিক স্কুলগী তেংবানবা তেলেম্বনা ১৪শুবা তাখ্রে।

ক্লাস এলেবেন অমসুং টুৱেল্ভ কাঙলোপকী অথোই অহেন তান্নবদা মিলিনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসকী লাইশ্রম সৈনাশ্রীনা অহানবা, পাইওনর একাদেমিগী নিংথৌজম ইন্দ্রকুমারনা অনীশুবা, এক্সত্রা এইদজগী নামৈরাকপম মালেমঙানবীনা অহুমশুবা, মেসি এক্সপ্লোরর একাদেমিগী অনন্দবালা ঙাঙোমনা মরিশুবা, ইমানুয়েল ইংলিশ একাদেমিগী হিরোম ঙানবীসনানা মঙাশুবা, স্কুল অসিমক্কী ঙাংবম থোইথোইবনা তরুকশুবা, স্কুল অসিমক্কী অঙোম সনালাতানা তরেৎশুবা, স্কুল অসিমক্কী কোন্সম অশাপতিনা নিপানশুবা, স্কুল অসিমক্কী হিজম রোমিতানা মাপনশুবা, স্কুল অসিমক্কী লাইশংবম নিংঙোল চনুনা ১০শুবা, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়াগী খুয়েম্থেম দাইনানা ১১শুবা, এনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী তখেল্লম্বম ওরেজনা ১২শুবা অমসুং ইষ্টর্ন পোইন্ট একাদেমিগী নিংথৌজম নন্দিবালানা ১৩শুবা তাখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

লাই হরাওবদা কনামত্তনা অয়েৎ-অপন পীবিগনু : উকল

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :

লমদম অসিগী লাইবুং কয়াদা হৌজিক পাঙথোক্লরিবা লাই হরাওবগী থৌরমশিং অসিদা কনাগুম্বা অমত্তা অয়েৎ-অপন পীদুনা অকায়বা থোকহনবীগনু হায়না উমংলাই কনবা অপুনবা লূপ (উকল)না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি লোংজম অরুননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লাই হরাওবদা পামদবা থৌদোক থোরকপা মতমদা মদুবু হকথেংননা চোংশিন্দুনা থিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা শিল্লি-লাংলিবশিং অমদি উকলদা পাউ পীবিদুনা চুমথোক্লুবা হোৎনগদবনি।

মাইবা, পেনা, মাইবীশিংনা অশোয়বা, অকায়বা, য়ানিংদবা তৌরক্লবদি মদু লোয়শঙদা পাউ পীদুনা লোয়শঙনা ৱারক ৱাতেমহনগদবনি। মদু নত্তদুনা নখোয়দা শেল পীরগা নেকপনি, ঐখোয়না তৌ হায়রিবমখে তৌগদবনি হায়বনচিংবা পূক্নিং ৱাখল শোকপা য়াবা ৱাহে-ৱাতা শীজিন্নবা অমদি খুৎ থাবনচিংবা তৌরক্লবদি মদু চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। লাই থৌগল লূপকী মীওইশিং নৎত্রগা লাই শেলুংবনচিংবা ফম্নাইবশিংনা মরম চাদনা ইশাগী অপাম্বা তৌগে হায়দে হায়দুনা খৎন-চৈনবা হৌরক্লবদি মদুসু চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। হায়রিবা চৈরাক ফংনিংঙাই ওইবা থৌওংশিং অসি কনাগুম্বা অমত্তনা লাই হরাওফমদা চথুবীরোইদবনি।

হৌজিক লাই হরাওরিবা লাইফম কয়াদা উকলনা কোয়না চত্তুনা য়েংশিল্লিবা অসিদা অয়াম্বা লাইবুংদা কাঙলোন ঙাক্লা লাই হরাওবগী শক্তম থেংনৈ। ইমা মাইবীশিংদা য়েংলম্বা অরানবা মীৎয়েং, ময়াই কাবা চীঞ্জাক থকচিন-চাশিল্লগা লাই হরাওফমদা কারন তাহৌনবা হোৎনবা, মাইবা, পেনা, মাইবী, তাম্বুল নুরাবী শাবা খরগী কা হেনবা জগোই-ঈশৈ, ৱাঙাং-শঙাং, মওং মতৌশিং তৌনিং তৌশিনবা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু চিত্রহার/চিত্রমালা তম্বীফম ওইনা হৌরকপা ফৎত্রবা থৌওং কয়া অসি ঙসিদি লাইবুংদগী লৌথোক্লখ্রে। অসিগুম্বা অসিদা লাই থৌগল তৌজরিবশিংনা কনাগুম্বা খরনা মশাগী অপাম্বা, অনিংবা লাইবুংদা তৌশিন্নবা হোৎনরকপা অমসুং মদুবু য়াদ্রগা শিল্লি-লাংলিবশিংদা খুৎ থাদুনা খৎন-চৈনবা থোকহনবা হায়বসি উকলনা লায়না লৌরোই হায়রি।

লাই হরাওবদগী লৌথোক্লবা হোৎনমিন্ন-গদবশিংদি মশক চুমদবা লাইপোৎ-শেনপোৎমশিং অমদি শেমজিন-শাজিল্লবা চোং, পে, হুমাইবনচিংবা, নুমিদাং থেংলবা ফাওবা অহৌবা মাইক হোর্ন শীজিন্নহন্দবা, কেসেট থাদুনা অঙাংশিংবু জগোই শাহন্দুনা লান্না লমজিংবা, লাই হরাওবদা কা হেন্না শেল চৎহন্দনবা হোৎনবা, লাইদা কৎনবা কেন্দল, ধুপ, মৈরা মেক্রুপ অমদি হৈ মখলশিং অসি লমদমসিগী পোথোক্লবা মহুৎ শিন্নবা হোৎনবা, লাইবুংশিং মতম চুপ্পদা লু-নান্না থম্নবা হোৎনবা, ঐখোয়গী লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, ফুরুপ অমদি খুন্নাই, মরৈবাক নুংশিবগী অচেৎপা ৱাখল্লোনশিং লাইবুংদগী শাগৎনবা হোৎনমিন্নবা লোয়ননা উমং লাই অমসুং লাই হরাওবগী ইন্সটিট্যুট অসি মশক থোক্লা থম্নবা হোৎনমিন্নগদবনি হায়বসিনি।

উকলনা হকথেংননা চৎলগা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা কাঙলোন চুম্না লাই হরাওনবা ৱা তানখ্রবা লাইবুংশিংদি থৱানথাবা পোরোম্পাৎ, ইকোপ মরু নোংশাবা হৈয়েল, কলিকা ৱাবগাই, ইমা থারৈমা সোইবম লৈকায়, ইমা ইরৈমা লম্বোইখুল, নোংদা লাইরেন পাখঙবা হাওতন, মার্জিং অহল্লুপ, ইরৈমা খেকমন, ইকোপ নিংথৌ কাইরেনবীখোক, ইকোপ নিংথৌ হৈরোক পার্ট-টু, ৱাংজিংলাকপা ৱাংজিং, ৱাংজিং নিংথৌ ৱাংজিং, ময়াংলাংজিং নিংথৌ ককচীং খুন্নৌ, কলিকা ককচীং খুন্নৌ, ইমা ফৌওইবী ইথাই, সনথোং নিংথৌ কুম্বী অমসুং থাংজিং থিনুঙ্গৈ, লাইফম কয়া অসিদা ঙাইহাক ঙাইহাক্তংদা ওইরবসু ৱা তাননবগী তাঞ্জা পীবিদুনা কাঙলোন চুম্না লাই হরাওনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবিরিবশিংবু উকলগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থা ৮গী চেঙ ফংহন্দ্রে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) : নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)গী নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী ফংফম থোকপা চেঙ থা ৪ ফংহনখ্রে। অদুবু এ সী অসিগী ২১/৪৪ লংথবাল ফুরামখোঙগীদি মমাঙ চহী ওগষ্টতগী চহী অসিগী মার্চ ফাওবগী শাংলবা থা ৮গী চেঙ ফংহন্দ্রে হায়না নুপী সমাজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ফুরামখোঙগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এ সী অসিগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙ ফংহন্দনা তুমিন্না লৈশিল্লবা মতুংদা থা অসিগী ১৪দা চহী অসিগী এপ্রিলগীনি হায়দুনা চেঙ য়েন্থোকখ্রে। য়েন্থোক্তনা লৈরিবা থা ৮গী চেঙ অসি মমাঙগী এম এল এনা পুথোকপীগদ্রা হায়না মীয়ামদা অথুবা মতমদা শেংদোকপীয়ু হায়রি।

অমরোমদা, হৌজিক ফাওবা ফংদ্রিবা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী রেসন কার্দসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা ফংহনবীয়ু। মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা থাগৎখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লমদম অসিগী লায়রবা মীয়ামগী চাকথুংবু মশাগী চাকথুং ওন্থোরকপসি মীয়াম্না পেন্দে। মরম অদুনা মীয়ামগী অফবা থবক তৌরক্কনি হায়না থাজবা থল্লিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি কঞ্জ্যুমর এফ্যের্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টরনা অথুবা য়েংশিনবীদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু। অথুবদা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি লোগী মতেং লৌদুনা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চেঙগী কন্ট্রেক্টর মীয়ামদা খঙহনবীয়ু : কম্মিটি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী নৌনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ লাউথোকপদা য়াওখ্রবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফুদ এন্দ সিবিল সপ্লাইগী থৌ পুবীরিবশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চেঙগী কন্ট্রেক্টর মশক খঙহনবীয়ু অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইদা চেঙগী কন্ট্রেক্টর ওইহনবীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ ৱেলফ্যের কম্মিটি কাংপোকপীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কম্মিটি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট নতখাথাং কিপগেননা হায়খি, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌজিক্তি মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরবনিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অৱাৎপা দিপার্টমেন্টশিং অসিবু মথৌ তৌহনবীয়ু। মরুওইনা হিংবদা চঙবা চেঙ মীয়ামদা য়েন্থোকপগী থৌদাং লৌগদৌরিবা চেঙগী কন্ট্রেক্টর অদু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইদা ওইহনবীয়ু। চীং অমসুং তম চপ মান্ননা চাউখৎহনগনি হায়বা অনৌবা গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ব্লোক মাপন্দা চপ মান্ননা খুদোংচাবা ফাহন্নবনি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংনা চলাইবা ওইরবদি লৈরিবা ব্লোকশিং সি য়েংশিনবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়না খনবদগীনি। লোয়ননা লায়রবা মীওইনা কনা কনানো হায়বদু থিদোক্লগা পীফম থোকপদু পীগদবনি। ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টর অসি কনা কনানো হায়বা খঙদ্রিবসি মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঈং-তপ্পা গাড়ী চৎপা য়াহনবীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৬ : ইম্ফাল-দিমাপুর নেসনল হায়ৱেদা হৌখিবা এপ্রিল ১৮ অমসুং ৩০দা থেঙ্খাং অনীরক থোক্লা খৎখতিদগী পেট্রোলিয়মগী পোৎলমশিং পুদুনা লাকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চঙৌবুংগী এস গোলাই মনাক্তা মীওই খরনা অতম্ননা নোংমৈ কাপশিল্লত্তুনা দ্রাইভর, হেন্দিমেন অমদি ওইল টেঙ্কর কয়া অশোক-অপন, অমাঙ-অতা নংহনখি। নুমিত্তুদগী ঙসি ফাওবা দ্রাইভরশিং অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। দ্রাইভরশিংদি গাড়ী থৌজরগা ইমুং-মনুং পুদুনা ৱানা হিংজবনি অমদি খুন্নাই অসিদা য়াম্না শোথনা লৈবা কাঙলূপনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মরী লৈনবশিংনা খন্থবীদুনা হান্নগী মওংদা ঈং-তপ্পা গাড়ী চৎপা অথুবা মতমদা য়াহনবীয়ু লোয়ননা ইমুং-মনুং হিংনবা হোৎনজরিবা অসিদসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্করস, দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এমসু শওম্বুং ব্রাঞ্চ

ইম্ফাল, মে ১৬ : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয় (এমসু) ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা মীফম অমা চিংঙারেল তেজপুরদা লৈবা সক্সেস স্কুলদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় মংশাতাবম অমসুং এমসু ইম্ফাল ইষ্টকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা এমসুগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎনবা অমদি লমদম অসিদা অফবা ক্বালিটি এদ্যুকেসন অমদি ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবা ঙম্নবগী পান্দমদা এমসু ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা লৈগদবা এমসু শওম্বুং ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে। এমসু শওম্বুং ব্রাঞ্চকী থৌপুনবা ওইনা খল্লবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা ক্ষেত্রিময়ুম কেম্পর, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা নোংথোম্বম প্রদিপ, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা য়াম্বেম মালেমঙানবা, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা জিলি এলাংবম, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা টি তোম্ববু খনখ্রে হায়না এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি জেট পেবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ আরগী আধার রেজিষ্ট্রেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস) :

আধার কার্দ শীজিন্নবা কুমজা ২০১২দা হৌদোকখ্রবা মতুংদা আধার কার্দকী মরুওইবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরকপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিং অমসুং সার্বিসশিং হৌজিক্তি আধার নম্বরগা লিঙ্ক লৈনরে।

মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অদু য়েংদুনা অমদি আধার কার্দ পায়বগী মরুওইবা কয়া অদুদা য়েংদুনা হেদকার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৪৫ অসাম রাইফলসনা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগা খুৎশম্নদুনা আধার রেজিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসনগী প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু মতেং পাংখ্রে।

অহানবা ফেজগী প্রোগ্রাম ওইনা বট্টালিয়ন অসিগী কম্পনি অমনা মথৌ পাঙথোক্লিবা বেজ খূদিংমক্তা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা রেজিষ্ট্রেসনশিং কেম্পশিং হাংদোকখ্রে। খুঙ্গংশিং অদুদা কম্প্যুটর অমসুং টেক্নিকেল এক্সপার্টশিং অমদি বাইওমেট্রিক মেছিনশিংগা লোয়নবা এঞ্জিনিয়ারশিং পুরক্লবগী অশিন-অরাংগী থবক থৌরমশিং লোইশিনখ্রে। মতম চানা পব্লিসিটি তৌবনা মরম ওইরদুনা কেম্পশিং অদুদা ভীলেজ কয়াদগী লাকপা মীয়াম্না আধার কার্দ রেজিষ্টর তৌনবা কেম্পশিংদা পুনবা উখি।

৪৫-অসাম রাইফলসনা শেমগৎপা রেজিষ্টর সেন্টরশিংদা খুঞ্জা ৬০০ হেন্না লাক্তুনা আধার কার্দ রেজিষ্টর তৌখ্রে। য়ুনিটশিং অদুনা অখন্নবা ই-মেল এদ্রেস অমা শেমদুনা কার্দশিং অদু শোয়দনা বেনিফিসরিশিংদা পীখ্রবরা অমদি মখোয়না ফংখ্রবরা হায়বা অদু য়েংশিল্লি। ফেজ টুদা অসিগুম্বা এপ্রুভ কার্দশিং অদু নমথোক্লবা মতুংদা ৪৫ অসাম রাইফলসনা খুঞ্জাশিংদা মশা মশাদা খুৎশিন্নখ্রে। অদুগুম্বা কেম্পেন অদুনা ই-মেল, ইন্টরনেটকী মতেংনা আধার কার্দ ফংবা ঙমদ্রবা মীওইশিংদা মরুওইনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা অখন্ননা কান্নবা ফংহল্লে।

মফম অদুদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা অদুগুম্বা আধার কার্দশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা এ আরনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা প্রোজেক্টশিং ২-এ আর, ৬-এ আর অমসুং ৫-জে এন্দ কে রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিগনি হায়রি।

CROSSWORD-2414



ACROSS
- 1 Dairy product (6)
- 4 Day nursery (6)
- 8 Regretting (5)
- 9 Lunacy (7)
- 10 Female ruler (7)
- 11 Sufficient (5)
- 12 True to life (9)
- 17 Small flock of game birds (5)
- 19 Dishonourable (7)
- 21 Taken for granted (7)
- 22 “La Traviata” composer (5)
- 23 Small (6)
- 24 Method (6)

DOWN
- 1 Gents’ hairdresser (6)
- 2 Away-day tourist (7)
- 3 Large bird of prey (5)
- 5 Glowing (7)
- 6 Move furtively (5)
- 7 Simpler (6)
- 9 Bewildered (9)
- 13 Appalling (7)
- 14 Floor show (7)
- 15 Scribble (6)
- 16 Gas used in balloons (6)
- 18 Call upon (5)
- 20 Manual worker (5)

Solution 2413

O	I	L	Y	■	S	H	O	U	L	D	E	R
U	■	A	■	F	■	O	■	N	■	E	■	E
T	U	M	B	L	E	R	■	D	E	L	V	E
W	■	B	■	E	■	S	■	U	■	I	■	L
E	N	S	U	E	■	E	N	E	R	G	Y	■
I	■	■	■	C	■	C	■	■	■	H	■	B
G	O	L	D	E	N	H	A	M	S	T	E	R
H	■	A	■	■	■	E	■	I	■	■	■	U
■	N	Y	L	O	N	S	■	G	I	F	T	S
U	■	E	■	C	■	T	■	H	■	A	■	S
N	O	T	C	H	■	N	O	T	A	B	L	E
D	■	T	■	R	■	U	■	Y	■	L	■	L
O	M	E	L	E	T	T	E	■	L	E	S	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2213

3			6				8	9
2								
					7	2		3
5		6				3		
	2	7		9		8	4	
		3				9		5
4		5	3					
								1
7	6				4			2

Solution-2212

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

3	6	4	7	5	2	8	9	1
2	5	8	1	4	9	3	6	7
7	1	9	8	6	3	5	2	4
9	7	1	5	3	8	6	4	2
4	8	2	6	7	1	9	3	5
6	3	5	9	2	4	7	1	8
8	2	3	4	9	7	1	5	6
1	4	6	3	8	5	2	7	9
5	9	7	2	1	6	4	8	3

BYS
Palace Compound (Macha Leima School)
9863284750/ 9856088990
2016
6th 8th 9th 12th 12th
13th 15th 16th 17th 18th
22nd 22nd 22nd Maths 100 Thang Ta 99
2015
1st 9th 10th
13th 15th 17th
20th 22nd 22nd
2014
5th 8th 9th 9th 9th
9th 11th 12th 12th 13th
14th 15th 18th 18th 19th
20th 20th 24th 24th 25th
2013
3rd 10th 12th
15th 15th 16th
17th 18th 19th
19th 24th 24th
2012
4th 7th
9th 10th
12th 16th
20th
ADMISSION OPEN
CLASS - X (BOSEM)
FOUNDATION COURSE
STARTING ON MAY 22, 2017.
MORNING: 4.30AM - 7.15AM
EVENING: 4.30PM - 7.15PM
HOSTEL FACILITY AVAILABLE
BYS Top Scorers - HOME SC.
94 94 91 91
HOME SCIENCE
EVENING CLASS (6PM)
Starting on 08/05/2017
LIMITED SEATS!! HURRY UP!!
HL-B/3856/7-21May

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিখবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।



DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/3850/6/05-04/06